## এডিটোরিয়েল

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

# দ্রাইভরশিংনা মীতোপ পুশিল্লকপা

## মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌবনি লৌরোইদবা লৈতে

মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈ মতম হায়বদি মনীং মখা তন্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরিঙৈদা, মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙশিল্লক্কু না খূন্দা লৈতাবা হৌখ্রে হায়বা য়াই। মখোয়গী মনুংদা খরনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নবা নিংথৌনা পুরকখিবনি। খরনা লানফা ওইনা থল্লকখিবনি, অতোপ্পা খরনা অমুক ললোন–ইতিক্কা মরী লৈননা মণিপুরদা চঙলকখিবনি। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না মখোয়গী চাদা–নাওদাশিং শন্দোরকপা অমসুং মখোয়গী নক্কবা মীওইশিং অমুক পুশিল্লকপদগী মশীং য়ামখৎলকখিবনি হায়নবা লৈ। লম্বী–থোং খূদোংচাদ্রিঙৈ মতমদা লাকখিবশিং অদুদি অমুক হন্না মখোয় মখোয়গী মরমদা হনবগী ৱাখল লৈখিদে। মদুগী মতুং তারকপদা বৃটিশনা মণিপুরদা লাকপদা মণিপুরী মচাশিংগা লান পানহন্নবা অমসুং বৃটিশকী ইমপ্লোয়ি ওইনা থবক তৌহন্নবা ময়াং কয়ামরুম পুরকখি। মদুগী মতুংদা মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখিবদগীদি মখল মখা কয়াগী মীতোপশিং মণিপুরদা লেপ্তনা চঙশিল্লকখি। মীতোপকী মশীং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী য়েলহৌমীশিংগী লৈফম লৈররোইদ্রা হায়বগী মিপাইবা ফাওবা পোক্লখি। মদুনা মরম ওইরগা মীতোপশিংবু মরৈবাক্তা হনখ্রো হায়না মহৈরোইশিংনা খোল্লাওশিং লাউদুনা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখি। মতম অমদা মণিপুর অমসুং দিমাপুরগী মরক্তা চেল্লম্বা মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্টকী বসশিং অদুদা নুমিৎ খূদিংগী মীতোপশিং পুশিল্লকখি। মদুদগী হেন্দোক্লুনা দিমাপুরদগী তঙাইফদবা চেঙ–চাক পুরকপা ট্রক দ্রাইভরশিংনসু নুমিৎ খূদিংগী মীতোপ পুশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা তম্পাক্কী লমদা নেপালি মশীং য়াম্না খুন্দাশিল্লকখি। অসুম্না মণিপুরদা নোংমা কাঙদনা চঙলকখিবা মীতোপ মীয়ানচাশিং অসিনা ঙসিদি ষ্টেট অসিগী মরুওইবা শেনমীৎলোনগী ময়োনশিং পায়রি। মখোয়না পোৎকী মমল লেপ্পী। পোৎ তাংহনগে, হোংহনগে নৎত্রগা ফঙহল্লোই হায়বা মখোয়গী মখূত্তা লৈ। বৃটিশনা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনি হায়বা পোৎ–চৈ য়োনবা ললোনবা কাঙবু অমখক হান্না ইন্দিয়াদা খোঙদাফম ফঙখিবদগী লোয় চন্দুনা ইন্দিয়া মীনাই ওইখিবনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরসু মীতোপ মীয়ানচাশিংগী থৌজালদা হিংবগী ফিভম অমা লাক্লিবসিনা ঐখোয়সু মীতোপকী মীনাই ওইরগদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈনরকপনা মণিপুরদা মীতোপ চঙবা থিংউ হায়বসি য়েলহৌমীশিংগী দিমান্দনি।

মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা মতুং ইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা মীতোপ চঙলকপা থিংননবা তোঙান তোঙানবা লো শেম্নবা বিল পাস তৌখি, অদুবু বিলশিং অদু গভর্ণরনা অয়াবা পীখিদে। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েলহৌমী কন্ননবা বিল পুথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দশিং অদু মহৈ চাবা ফঙখিদে। অদুবু লাইবক ফবদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহনবগী অয়াবা পীরকখি। সেন্টরগী থৌজাল ফঙলবা মতুংদা মণিপুরদা আই এল পি য়াওদনা মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙলকপা য়াহনখিদে। লৈঙাক্কী অকনবা য়াথংনা মরম ওইরদুনা আই এল পি য়াওদনা লাকখিবা মীতোপ পূম্নমক নমদুনা হলহনখি। অসুম্না থা ২–৩ রোম মীতোপতগী মনীং তন্বা মণিপুর ওইরগনি হায়না খন্নরুবদু হৌজিক্তি ওন্ন–তৈনবগী ফিভম অমদা লাক্লব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে। কোভিদ–১৯ শন্দোরকপা থিংনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন চৎখরিঙৈগী মরক্তা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা চৎপা থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎলু হায়বা সেন্টর গভর্ণমেন্টকী য়াথংগী মায়োক্তা ট্রক দ্রাইভরশিংনা মীতোপ্পু সেকেন্দ দ্রাইভর শাহল্লগা মণিপুরদা পুশিল্লকই হায়বসি তাবা নুংঙাইতে। মণিপুরদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা ট্রক দ্রাইভরশিংবু মীয়াম্না হেরোনি হায়দুনা থাগৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা দ্রাইভর খরনা শেলদা মিকাদুনা মণিপুর মুখৎকে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদি য়াবা ঙল্লোই। মীপুম খূদিংমক কোভিদ ১৯ দগী ঙাকথোক্লনবা ময়ূম ময়ূমদা লেঙদনা লৈনখ্রবা তুংদা দ্রাইভরশিংনা মীয়ামগীদমক য়েংলগা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুগীদমক লৈঙাক্লা করিগুম্বা খরদি কান্নবা পীসি হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউনরিঙৈগী চৈরক্তা কোরোনাভাইরসনা নাবা মীওইনি হায়বসু খঙদবা মীতোপ্পু ট্রক মনুংদা লোন্না পুশিল্লকপা হায়বসি মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মীতোপশিং অদুসু চেন্নরিবা দ্রাইভরশিং অদুসু লৈঙাক্লা লেম্না থাহন্নিংদে। মতুংদা অমুক হন্না তৌবা য়াদে হায়বা মরী লৈনবশিংদা খঙহনবা ওইনা দ্রাইভিং লাইসেন্স ফাওবা ফাজিলহন্নিংই।

## ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯤꯇꯣꯞ ꯄꯨꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯥ

### ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯅꯤ ꯂꯧꯔꯣꯢꯗꯕꯥ ꯂꯩꯇꯦ

[illegible]

# হিন্দু দর্শণদা শুদ্ধদ্বৈত বাদ

*– ককচিংতাবম ব্রজমণি শর্ম্মা –*

**শুদ্ধাদ্বৈত বাদঃ**

শ্রী বল্লভাচার্য্যনা বিষ্ণুস্বামীনা য়েংলম্বা মীৎয়েং অদুবু কুপথনা থিজিনখি অমসুং নৌনা শেমগৎখি। আচার্য্যসিনা ব্যাস–সূত্র ভাষ্য (অনু–ভাষ্য), জৈমীনি–সূত্র ভাষ্য, ভাগবত– টিকা সুবোধিনি, পুষ্টি–প্রবাহ মার্য্যদা, সিদ্ধান্ত রহস্য অসিনচিংবা লাইরিকশিংসি সংস্কৃত্তা অদুগা ব্রজ–ভাষ্যাদাসু মমল য়াল্লবা লাইরিক কয়া অমসু ইবীরম্মী। আচার্য্যনা প্রস্থান ত্রয়গী মথক্তা (গীতা, ব্রহ্মসূত্র, উপনিষদ) শ্রীমদ্ভগবতমবুসু লৌখৎলম্মী। শাস্ত্র বাক্যবু সিদ্ধান্তনি লৌরম্মী। শ্রীশঙ্করনা মায়া হায়বা অমা লৌশিল্লগা মহাক্কী কেবলাদ্বৈতবু অদুগা শ্রীরামানুজনসু বিশেষতা না মরম ওইরগা বিশিষ্টাদ্বৈতবু হায়রম্মী, তৌইগুম্বসুং শ্রীবল্লভাচার্য্যনদি করিগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বা মতেং পীনবা পান্থে য়াওদনা অদ্বৈত বাদপু শন্দোকখি। মরম অসিনা বাদ অসিবু শুদ্বদ্বৈতবাদ কৌনবনি। আচার্য্যনা জগৎ, জীব, ব্রহ্ম হায়বসি তোপ্তে, ব্রহ্মখক্তনি লৌই। জীব, কাল, প্রকৃতি, মায়া লোইনা অরৈবা মক্তনি তৌবতবু ব্রহ্মদগী তোপ্পা লৈবা অরৈবদি নত্তে। শ্রীকৃষ্ণবু পর ব্রহ্মনি হায়না লৌই, মহাক্তি সচ্চিদানন্দনি অমসুং পুরুষোত্তমনি। বাৎসল্য ভাব (মমা মপানা মচাবু নুংশিবগী ৱাখল) তা শ্রীকৃষ্ণগী অঙাং ওইবগী মতৌবু পুজা তৌবগী অপাম্বা কন্না পী। বল্লভাচার্য্যনা পুষ্টি (থৌজাল) অমসুং ভক্তি (কখোক্লা নীংজবা) দা অকনবা শাফু পী অদুগা সাক্ষাৎকার ফংনবগী অমত্তা ঙায়রবা উপাইদি মহা–পুষ্টি (অনুগ্রহ) নি হায়নসু তাকই।

সচ্চিদানন্দ ওইবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণদি অনাদিনি, সবব্যাপীনি, সর্বজ্ঞানি, সর্বশক্তিমাণীনি অমসুং অথোইবা গুণশিংনা তিনবনি। শ্রুতিনা ব্রহ্মবু গুণ য়াওদবা হায়বগী ৱাহন্থোক্তি মঙোন্দা অচম্বা গুণশিং য়াওদে হায়বনি। মৈদগী মৈরিক চোংথোকরকপগুম জগৎ সৃষ্টিসি মঙোন্দগী পুথোকপনি। মহাক খক্তং অশেংবা অরৈবনি, পোৎ পূম্নমক মহাক্কী হকচাং দগী থোকপনি, মদুবু অক্ষর কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা মনীং তম্না লৌনীংবা শক্তম লৌদুনা ভক্তশিংগী পামজবা থুংনবা উখোকই। মহাক্না কার্য্য–করণ অনীমক্নী। জগৎ মিঠ্যা নত্তে, লেঙই পাল্লিবা খুদিংমক ব্রহ্মখক্তনি। সংসারদি মিঠ্যানি, মরমদি সংসার হায়বসিদি জীবনা মরন্নাই শেমগৎচবা ঙমখৈ নাইবা পরিকার (কোয়শিনবা মফম) অমখক্তনি, মদুমক ‘ঐ’ অমসুং ‘ঐগী’ হায়বসিদগী শেমগৎখিবনি। অহঙ্কারনা জীববু ঈশ্বর কাউথোকহল্লি, মাগী অশেংবা মশকপু খঙহন্দে। মশাগী ওইজ থিবদগী শেমখিবা মিরাংদা থুরিবমখৈ জীববু সংসারদা লৈবা কৌই। তশেংবদি মসি লৈতে, মরমদি প্রকৃতিগী জগৎতদি সংসার লৈতে। অবিদ্যানা মরম ওইদুনা জীবনা ব্রহ্মগী শাগোন্নরবা গুণ অনন্দ (নুংঙাইবা) বু ফংদে, পোৎনা অনন্দ অমসুং চৈতন্য (খঙবা) বু ফংদে। জীবনা নৎত্রগা পোৎনা হায়রিবা গুণশিংবু ফংলবদি মদুমক ব্রহ্ম ওইরবনি। জীবনা কর্ত্তা (থবক তৌবা) অমসুং ভোক্তা (মহৈ চারিবা) অনীমক ওই। পীক্লবা থাউমৈ অমত্তনা কা অচৌবা অমা ঙালহলনবগুম, চন্দন মচেৎ অমা মৈ চাকপদা পাক শন্না মনম্না থলহনবগুম পরমানুমুক চাউবা জীবনা, মানা লৈরিবা হকচাংদুবু, জ্ঞানময় ওইবনা থলহনবা ঙমই। আচার্য্যনা জীবগী মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্লম্মী। শুদ্ধ (শেংলবা, লাইগী ওইবা শক্তিশিংবু–ঐশ্বর্য্যবু অবিদ্যানা থৎপা, থিংবা ঙমদ্রবা) সংসারি (পোকপা–শিবগী চক্রদা তারিবা, অবিদ্যানা খুমজিল্লবা) মুক্তা (বিদ্যা নৎত্রগা জ্ঞান ফংলদুনা অবিদ্যাদগী নান্থোক্লবা), পুষ্টি (ভগবানগী অনন্দ–কায়, নুঙাইবগী হকচাংদগী থোরকপা), মার্য্যদা (ভগবানগী বাক, ৱাহৈদগী থোরকপা) প্রবাহিক (ভগবানগী পুক্লিংদগী পোকপা) জীব– হায়রিবশিংনা মপুংনি। পুষ্টি জীবদি ভগবানগী অংশ (শরুক) শেংনা ফোঙদোকই, মার্য্যদা জীবনা ভগবানলোমদা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকই অদুগা প্রবাহিক জীবনা ভগবানগী কৃপা অমসুং নীতিগী মখাদা হিংদবা, হন্না হন্না পোকপা ওই। (প্রবাহ থ চেল্লিবা ঈচেল)। পুষ্টি জীবনা ভগবৎ কৃপাদা হিংই, মার্য্যাদা জীবনা নিতি নিয়মগী মখাদা হিংই, প্রবাহিক জীবনা অনীমক ওইদে। অমুক হন্না পুষ্টি–পুষ্টি জীব, মার্য্যাদা প্রবাহিক, জীব, প্রবাহিক– প্রবাহিক জীব, প্রবাহিক–মার্য্যাদা জীব অমসুং প্রবাহিক – পুষ্টি জীব হায়দুনা অহুমসিগী য়ানশিন্নবা জীব মখল কয়া খায়দোকই।

আচার্য্যনা ভক্তি মখল মরি তাকপিরিঃ প্রবাহ পুষ্টি–ভক্তি, মার্য্যাদা পুষ্টি–ভক্তি, পুষ্টি– ভক্তি অমসুং শুদ্ধ পুষ্টি–ভক্তি। জীবনা পাপ্তগী শোন্থে, মসিবু কনখৎহন্নবা ভগবানগী য়োকখৎপিবা অমসুং শক্তি হাপ্পীবা তঙায় ফদে। ৱাফম অসিদগী বল্লভ না পুষ্টি–ভক্তি হায়না মিংথোল্লম্বনি। সংসারগী থৌরমগা ঈরোইননা ভগবান ফংনবা হোৎনবা ভক্তিবু প্রবাহ পুষ্টি– ভক্তি, ভগবানবু কমদৌনা পুজা তৌগদগে, করম্বা লম্বীদা চৎকদগে খঙলবশিংনা মশাগী হোৎনজবনা মরম ওইদুনা ভগবান ফংনবা হোৎনবা ভক্তিবু মার্য্যদা পুষ্টি ভক্তি, চেকশিন্না ঈন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা ভগবত কীর্ত্তণনচিংবা য়াওদুনা, জপ নচিংবা তৌদুনা ভগবান ফংনবা হোৎনবা ভক্তিবু পুষ্টি–পুষ্টি –ভক্তি কৌই, অরেপ্পা লৈতনা নাম কীর্ত্তণ তৌবনা ভগবত কৃপা ফংলবা, মদুনা প্রেম ভক্তি পোক্লবা, মদুনা ভগবান্দা আসক্ত (থাদোক্লবা ঙমদ্রবা) অমসুং মদুদগী ব্যাসন (ভগবান ফংনীংবনা লৈঙমদ্রবা) ফংলবা, অথোইবা নুংঙাইববু ফংলিবা পুষ্টি ভক্তিবু শুদ্ধ পুষ্টি ভক্তি কৌই। ভক্তিগী পন্থুংসু মসিনি হায়বদি ভক্তিসিমক্লি। পুষ্টি ভক্তি চৎপশিংনা মুক্তিবু পামদে। পন্থুংসু মুক্তি নত্তে, তৎন–থানবা লৈতনা গোলোক বৃন্দাবন্দা শ্রীকৃষ্ণগী লীলা য়াওজবা অমসুং মাগী নিত্য সেবা ফংবনা জীবগী পন্থুংনি। জীবগী শক্তম্না থোইদোক্তে, ভগবান শ্রীকৃষ্ণগবু লোয়নরবদি বৃন্দাবনগী উপাল হৈপাল, ষণ–উচেক, গোপগোপী – পূম্নমক্ ভগবৎ সঙ্গ ফংজবগী নুংঙাইবদু ফংই। ব্যাসনগী থাক্তা লৈরবা ভক্তনা পোৎ খুদিংমক্তা কৃষ্ণখক্ত উই, মশামকপুসু কৃষ্ণ ওইনা উরকই, ভক্তদুনা জগৎপু কৃষ্ণময় ওইনা খঙলকই। মসিমক বেদান্ত বাদীশিংগী, জ্ঞানীশিংগী ব্রহ্মজ্ঞান অদুনি। ব্রজ গোপীশিংনা তন্ময়ত্ব ওইববু রাসগী মনুংদা ফংখি। মদুমক জীবগী পন্থুংনি।

# মতম

*ময়েংবম মণিহার*

**“মতম হায়বসি মওং লৈতে, মতৌ লৈতে অদুবু জগৎ পূম্নমক মাগী খায়াত্তা লোয়না তাখিগনি।”**

লিনগী মখয়াত্তা মশা পূম্নমক উমশিনখ্রবা, মকোক্তা মঙাইরবা হঙোইনা, মরৈ তিংথোক্লুনা জীব অমা অনীদং ফাদুনা চাহৌগে হোৎনবগুম, হে মীওইবা নখোয়সু কাল কৌবা মতমগী খয়াত্তা পংকুইসু কুইদনা লৈগদবা, অশিবা কৌবা লাইনা ঙাইদুনা লৈরবা নখোয়না অপাম্বা কল্লকপা মীহৌবগী মখা পোন্দুনা খৎনরি, চৈনরি, লাংনরি। নখোয়না মতমনা শান্নরিবা লীলা অসি খঙবা ঙমদরে। শিগদবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা অনাবগী মনাক্তা ফমশেন্নরিবা নহাক্লা ডাক্তর অদুদা হায়, “ডাক্তর বাবু অনাবা অসি মতম খরতা ওইরবসু হিংখিনবা অরৈপা উপায় য়েংবিয়ু, হিদাক কাপ্পিয়ু, মাগী অমত্তা ঙাইরবা মচানিপা অদু বোম্বেদগী মপা উনহৌনবগীদমক হৌজিক প্লেনদা থুংলরগনি।” ডাক্তরনা হায়, “উপায় লৈত্রে, অশা লৈত্রে, অনাবা অসি মিনিট ৫ / ১০ গী মনুংদা মাগী অরোইবা শ্বর হোনখ্রগনি।” য়েংউ মতমগী মমল অসি কয়াদা য়ামখ্রবনো, পুং অমা অনীগী মতম অসি ঐখোয়না ফাদুনা শীজিন্নবা ঙমদে, খাম্বা ঙমদে। মতম অসিদা ঐখোয়না অনুতাপ তৌরক্কনি–‘ও’! পাম্মুরকইদা মতমশিংদো, ঐখোয়না অরেম্বদা ৱারেম শুদুনা, ঙাওশিন্নদুনা, নুংঙাইরিবনি হরাওরিবনি হায়দুনা মাঙহনখিবা মতমশিংদো। পঙখ্রেদা ঐহাকসে।’

মী অয়াম্বনা মতমগী মমল কাউথোক্লে। মতম হায়বসি শেলদগী হেন্না তাংবনি হায়বসি খঙনদে। মতমবু শেলনা লৈবা ফঙবা পোৎ নত্তে। পৃথিবীদা লৈরিবা পোৎ খূদিংমক্তগী মতম্না তাংবা খ্বাইদগী হেল্লি। অদুনা পূন্সিগী মীৎকুপ খূদিংমক ইশাগী তোংজগদবা আধ্যাত্মিক সাধনাদা শীজিন্নহৌগদবনি। অরেম্বদা অপাম্বা মীহৌবা, মায়াগী লাংদা থুদুনা পূন্সিবু মাঙল্লোইদবনি।

মতম হায়বা অসি মওং লৈতে, মতৌ লৈতে। অদুবু জগৎ পূম্নমক মাগী খায়াত্তা লোয়না তাখি, তাখিগনি, মাঙখিগনি। কনা অমত্তসু মতমগী ৱাংমদা নান্থোক্তুনা লৈহৌবা ঙল্লোই। মতম্না কনাবুসু কনবিদে, ঙাকপিদে। মতম হায়বসি –কাল কৌবা লাইনি যমনি। পূম্নক মানা ফাদুনা পুখিগনি, অমত্তসু লৈহৌরোই। নিংথৌরেল কয়া ডাক্তর কয়া হৈ–শিংলবা, কন–থৌরবা কয়া কয়াগী মতমগী খায়াত্তা লোয়না চঙখ্রবনি, কনা অমত্তসু নান্থোকপা ঙমখিদ্রবনি। হয়েং জগৎ পূম্নমক অসিগী মহা প্রলয়গী মতম অমা লাকখিগনি। মতম অদুদা মতম কৌবা লাইনা অকিবগী মশক ওইরবা লাকঙম ফাঙমদ্রবা মৈ কৌবা লাইগী মশক লৌদুনা জগৎ পূম্নমক তুম্না চাকথেক্ল গদৌরিবনি। কনানসু মতমগী খোঙজেল অসিবু থিংবা ঙল্লোই। লাঞ্জাও কয়া থোরক্কনি, লায়চৎ কয়া লাক্কনি, থৌদোক কয়া লাক্কনি ৱাথোক কয়া থোক্লক্কনি। পূম্নমক মতম মাগী লীলা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক লাক্কনি অদুম লোয়খিগনি।

নুমিৎ থা, থৱানমিচাক লোয়না মাঙখিগনি। অৱাবা, নুংঙাইবা লোয়না চৎখিগনি। লন–থুম নুপী অঙাং শাগৈ নাতৈ, ইনাক খুনবা লায়রবা পূম্নমক মতমগী ইরোনুংদা লোয়না কুপখিগনি। পঞ্চ ভুত, স্বর্গ, মর্ত্ত, পতাল লোয়না থুপচিনখিগনি। লেঙদনা লৈহৌগদবদি অহৌবা অরোইবা লৈতবা, মতমগী ৱাংমদা লৈখ্রবা সচ্চিদানন্দ ব্রহ্মতনি। অসিগুম্বা ব্রহ্ম অসিবু খঙদুনা, পোকপা শিবা য়াওদনা মঙোন্দা তিন্নবা হোৎনবনা পূন্সিগী পান্দম ওইগদবনি।

সংসার অসি মখল মথেল মচু কয়াগী খোঞ্জেল কয়াগী শান্নফম্নি। মায়াগী লাং, পূক্লিংগী ইথক ইপোম, ইন্দ্রিশিংগী অপাম্বা কয়ানা থল্লবা জগৎনি। ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক হোংজিন তৌরবা জগৎকী নমুনা কয়ানা লৈদুনা পুদুনা চৎলিবা সংসারনি। ঙমখৈ নাইদ্রবা মতমগী ঈপাক্তা নঙনা চহী ১০০ খক্কী খোঙফম অমা ফঙলগা জগৎকী পোৎলুম পূম্নমক পুগনি হায়না হোৎনরি। পুং ২৪ না শাবা নোংমগী মনুংদা নঙনা পুং ৮ অমা তুমদুনা লেল্লে। লেমহৌরিবা শরুকশিং অদুনা চাবা–থকপা, ৱারেম ঙাংবা, নুংঙাইথোকপা, কুম্মৈ ফিয়োং য়েংবদা অয়াম্বা শীজিন্নথোকখ্রগা মতম খজিক্তং ইশাগী হিংননবা থবক ইনখাংদা শীজিন্নরে। ঈশ্বর নীংশিংনবা মতম খজিক ফাওবা কায়থোকপা ঙমদ্রে। শমজেৎ হাৎপা, কোই কোকপদদি নুংতিগী পুং ২ গী মতম মাঙহল্লি। অদুগা সসঙ্গ তৌসি, কির্ত্তন তৌসি, সোসিয়েল সার্ভিস তৌসি হায়বদদি মতম শংদে হায়দুনা লিশীংলক কন্থোক্কনি।

অহিং নুংথিল চুপ্পা জুৱার শান্নদুনা, য়ূ থক্তু না, ৱারেপ ঙাংনদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবা মী কয়া অমা লৈ। ছুটি নুমিৎ অমসুং নোংমাইজিংদা পোখাবগী নামাদা জুৱার শান্নদুনা, মখল মথেল চা থক্তু না মশাবু মাঙহঞ্জবা লৌশিং শিংবা, জ্ঞান তারবা মী কয়া অমসু লৈ। গীতাগী শ্লোক অমত্তংগী অর্থদি খঙনবা হোৎনদে, ধ্যান, জপ, প্রনায়ামগী অর্থ খঙদে। মশাগী মরমচৎ, পূক্লিং লাকশিনবা অমসুং আত্মা জ্ঞানগী মরমদদি য়োংনা তিন্ত্রোক পায়বগুম থোকই। মমল য়াল্লবা পূন্সিগী মতম অয়াম্বা হৌখিবদা চিংনবা লৈতে। হোটেল, সিনেমা, ওক্তবীগী লৈফমশিং অসি বৈকুন্ঠ ধামনি খনখ্রে, বৃন্দাবনগুম লৌনখ্রে।

কয়াদা অৱাবগী মশক্লো। মীওইবনা মফম অসিদা লাক্লিবা অসি করিগুম্বা মরম অমগীদমক্তনি। চাবা, তুম্বা, শেৎপা, মচা পোকপা অসিগীদমক্তা নত্তে। হেন্না ৱাংবা, হেন্না চাউবা মরম অমা মতুংদা লৈরি। পোকপা শিবা তৌরিবা পূন্সি অসি নত্তবা অতোপ্পা শিদবা পূন্সি অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা শিদবা পূন্সি অসি ফঙনবা হোৎনবনা পূন্সিগী পান্দম ওইগদবনি।

পূন্সিগী তঙ্খায় অমদি তুম্বদা লেল্লে। অচৌবা শরুক মনা অনা অয়েক তৌদুনা মাঙলে। খরা অমনা চাবা থকপা ৱারেপ ঙাংদুনা তোক্লে। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদসু জ্ঞান য়াওদনা শান্নদুনা লৈথোক্লে। খরা চাউরক্লবা মতমদনা অপাম নুংশিগী মীহৌলাংদা থুদুনা ঙাওদুনা লৈথোক্লে। অহল ওইশিল্লক্লে, ইচা–ইশু ইমুং মনুংগী পোৎলুম্না ঙাইহাক ফাওবা পোখাবা ফঙজদ্রে। করম্বা মতমদনো, হে মরূপ অফবা কর্ম্ম তৌদুনা, ঈশ্বরবু নীংশিংগদবা। অমুক্তা খল্লো, অহাংবা মতম লৈতবনি।

পূন্সিসি তেনখ্রবনি, মতমদি অরেপ্পা লৈতনা চেনশিল্লক্লি। অৱা অনা খূদোংথিবনা কোঙ্গাইনি। পঙদুনা লৈথোক্লগনু। শাধনাদা চঙশিল্লো। জগৎ অসি নুমিৎ নীনিদংগী মেলানি। পূন্সি অসি সেকেনদ অনীদংগী কোঙ্গোলনি, থুনা মাঙখিগদবা ঙাক্তনি। নতোমতা লাকপনি। নতোমতা হনখিনি। কনাসু নতুং ইল্লক্লোই। করি অমত্তা পুরক্তে, করিসু পুদুনা চৎখিবা য়ারোই। ভজন তৌরো। কীর্ত্তন তৌরো। নঙনা তৌবা কর্ম্মগী ফল অদুতনি নঙনা পুখিগদবদি। অফবা ওইরো অফবা তৌরো।

পূন্সিগী মীৎকুপ খূদিমক চুম্না শীজিন্নদুনা অচৌবা, অৱাংবা খুভম ফঙখিবা কয়া য়াওখ্রবনি। মখোয়গী মতুং ইলহৌরো। নীতিগী নিয়ম চুমথোক্লো তুমদুনা , তন্দুনা মতম মাঙহল্লগনু। ৱারেম শুবা তোক্লো মতমগী মমল খঙলো। নুংতিগী সাধনাগী পরিং শেমদোক্লো, মদু চেৎনা ঙাক্তু না চৎলো। থৌনা ফরো, পুকচেল চাউথোক্লো। লোত্তুনা লৈরিবা অত্মাজ্ঞান অদু মীৎকপ থোকহল্লো। শোয়দনা মায় পাক্কনি।

নুমিৎ, থা, চহী মথং মথং হৌখিনি। অমুবা শম ঙৌরক্লনি, হৌরম্বা য়া কেনখ্রগনি। ফজবা শক মাঙখ্রগনি, তিংলম্বা উনশা খুইথখ্রে, কল্লম্বা পাঙ্গল শোঞ্জিল্লক্লে। হৌজিক ফাওবা মায়াগী লাংদা থুদুনা কল্লক মীহৌবা থাদোক্ত্রি। কয়া কাউনা অপাম্বগী খায়াত্তা তাখিগনি, ইন্দ্রিশিংগী পেন্ননবা হোৎনখিগনি। ইচা–ইশু, নুপী অঙাংগী ৱাখলদা ইরাক্লদুনা তাংখ্রবা পূন্সি অদু অদুম লোয়খিবা তারে। জগৎ পুম্বগী লন–থুম ইচাগীদমক্তা পৈদুনা থম্বীরল্লবসু অদুম পেন্দনা হনখিগনি। করিগুম্বা অমত্তা থম্বীরমদ্রবসু হেন্না নুংঙাইনা লৈহৌগনি। নঙনা লোয়না তৌরম্বা ঙম্বা নত্তে। ঈশ্বরগী খূশিল থৌরাংসু লৈরিবনি। পুকচেল শেংনা মঙোন্দা লৈশিল্লো, অফবা ফঙগনি।

তাইবঙগী পূন্সি অরেপ্পা লৈতে। পূন্সিগী উনা লোয়না কেনখিগনি। যৌবনগী নুংঙাইবা মাঙখিগনি। জগৎ পূম্নমক মতম মাগী ঈপাক্তা লোয়না লুপখিগনি। মীৎকুপকী ওইবা পূন্সিনি। কোঙ্গোল তাকপগুম তাকখিগনি।

হৌজিক্তা টেলিফোন্দা ৱা ঙাংলম্বা ডাক্তর ব্রেকফাষ্ট লৌনবা ছিরিদা কাখৎখি। খুদক্তা হার্ট ফেল ওইদুনা শিরে। নিংথৌগী মচাইবেম্মা মাগী মপুরোইবগা কার থৌদুনা চৎখিবতা মঙাইরি, লম্বীগী ঘটনাদা লৈহৌদ্রে। শেঞ্জাও পায়বা মহাজন লৈকোন্দা অৱা পোখারি। লিন্না চিক্তুনা পূন্সি কনবা ঙমহৌদ্রে। হৌজিক্তা শান্নরম্বা অঙাংদো গারীনা তক্তুনা লোয়খ্রে, ঈশিংদা তাদুনা শিখ্রে। অসিনি তাইবঙগী পূন্সি, কনাসু অরেপ্পা খঙদে। অদুবু মীওইবা, মতমবুদি অসুম মাঙহল্লি, কনানসু চেকশিন্দে। ঙরাংতা মপা লৈখিদবগী পীরাং কংদ্রি, ঙসি অমুক মচানুপা কায়নবগী অৱাবা ফংলে। হান্না লাকপসু কোন্না লাকপসু লোয়না চৎখ্রে, অদুবু মহাক্তি মতম লৈরি, ৱাৎলি হায়দুনা নুংঙাইথোক্লি সাধনাগী ৱাখল চঙদ্রি।

শেল তানবা য়াম্না কনবা, নোংমদা লুপা লাক্ষ লাক্ষ তানবা ঙম্বা মী অসিমনা মতমগী মমল খঙই। মখোয়দা সেকেন্দ অমা ফাওবগী মতম মাঙহন্নিংদে। পুং অমত্তংগী মতমদা শেল কয়া ফঙই, পুং অমত্তংগী মনুংদা শেল কয়া য়াম্না তাল্লি। মতম অসি শেলনি। অদুনা কারবার তৌবা শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুশিং মতমবু য়াম্না কুপ্না শীজিন্নে। অসুম্না অধ্যাত্মিক সাধনাদা চঙশিনখ্রবা মীশিংসু পূন্সিগী মমল খঙই অমসুং মতমবু চেকশিন্না শেন্নে। মখোয়না ভগবানগী সেবাদা মীৎকুপ অমা ফাওবা মাঙহন্দনা শীজিন্নে, মৌন ব্রত তৌই, ধ্যান তৌই, জপ তৌই। নঙনা মীৎকুপ অমা ফাওবা চেকশিন্না শীজিন্নরবদি, কান্নরবা পুংজা কয়া মতুং ইল্লক্কনি।

থাঙ্গৈশেংনা হায়রবদা মতমদগী হেন্না তাংবা অমা অমুক লৈত্রে। হৌখ্রবা মতম অমুক হন্না শুকহন হল্লক্লরোই। অকনবা খোঙজেন্দা কন্না তাংনা চঙশিল্লক্লিবনি। ঘরিগী পুংজানা য়ৈরিবা অসি, নঙবু অশিবা হায়দুগী খোঙজিন্দা অসুম অসুম পুশিল্লক্লিবনি। পূন্সিদি অরেপ্পনি, মতমদি অরেপ্পা লৈতনা চেল্লিবনি। ঙরাংদগী ঙসি, ঙসিদগী হয়েং, চয়োল অমদগী থা অমা, থা অমদগী চহী। চহী কয়া খঙহৌদনা হৌখিনি, অঙাং ওইরিবোই নিংই, অহল ওইশিল্লম্লগনি। থবক্তি করিমত্তা তৌদ্রি নুমিত্তি তাশিনখিদৌরে। য়াচংবদা লাংশিন্নবনদি তোংজবা লৈরোই। পূন্সিগী অরেম্বা শরুক খরদা কান্নবা লম্বীদা শীজিন্নহৌরো। অফবা থবক তৌবদা মতম অমুক য়ৈথোক্লনু। হয়েং হয়েং হায়দুনা থবক য়ৈথোকপা তমগনু। হয়েংগী থবক্তু য়ারবদি ঙসি তৌথোকপদা অকায়বা লৈতে। ঙসিগী থবক্তু হৌজিকমক য়ারবদি তৌথোক্লো। নুংথিলদা থবক লোয়শিনখ্রবদি অহিং তুম্বা নুংঙাইবনি। পূন্সিগী অঙনবা শরুক্তা অফবা থবক পায়খৎখ্রবদি অহলগী মতম য়ৌরবদা নুংঙাইনা মতম লেনগনি। হৌজিক ফঙলিবা পূন্সি অসি নিয়ম চুম্না শীজিন্নৌ, মথংগী মপোকসু নুংঙাইবা ফঙগনি।

হেঃ মরূপ! নঙনা ফমুংদা তুল্লগে হায়দুনা পোখাবা মতমদা নঙনা নোংমদুগী মনুংদা তৌখিবা থবকশিংদু নীংশিংউ। নঙগী নুংশিবা ৱাহৈনা কনাগুম্বগী থম্মোয় পেনখিবা য়াওব্রা, নঙগী মতেং খজিক্তংনা কনাগুম্বগী অৱাবদা তেঙবাং ওইখিবা য়াওব্রা, য়াওখ্রবদি নঙনা নোংমদুমা অরেম্বদা মাঙহনখিদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। নত্তদুনা অতোপ্পগী মতেং খজিক ফাওবা পাঙখিদ্রবা নুমিত্তুদি অরেম্বদা মাঙহনখ্রবনি।

মতমবু মাঙহল্লগনু, সেকেন্দ অমা ফাওবা অরেম্বদা নান্থোকহনগনু। অহাংবা মতম পাল্লুগনু। নোংমা নোংমা হৌখ্রিবসি, পূন্সিগী চেনা অমমম হাইদোকখ্রবনি। সেবা তৌ, নুংশিনৌ, নুংঙাইনা পূন্সি লেল্লু।

**থাজবা**

## অফবা সঙ্গ তৌবগী কান্নবা

অধ্যাত্মিক্কী ওইবা থৌ হায়বদি যোগ তৌবা, ধ্যান তৌবা, প্রায়শ্চিত্ত তৌবা, থাগ–যঙ তৌবা, বেদ তম্বা অমসুং সংসারগী লম্বী থাদোকপা (শন্যাস) নচিংবা অসি য়াম্না পামজবা কনাগুম্বনা য়াম্না কনবা শক্তিগা লোয়ননা পায়খৎলকপা য়াই। হায়রিবা পূম্নমকসি অমমমতা ওইনা মতীক–মগুণ লৈ অমসুং পূক্লীংবু ৱারকপগী জ্ঞান পী। তৌইগুম্বসুং শোয়দনমক খ্বাইদগী হেনবা কোক্লেন মপু তশেংবমক ফংগনি হায়বগী জামীন পীবদি ওইথোক্তে।

কৃষ্ণনা উদ্ধবতা পাউতাক পীবদা হায়– “পন্থুং অশেংবমক য়ৌবা হায়বসি য়াম্নমক কনবা থবক্লি, মরমদি হীরম খুদিংদা (মীওইবদা) নপশিল্লিবা (এতাচমেন্ট) পূম্নমকপু থাদোকপা তাই” মসি শ্রী কে শ্রীনীভাসননা ভাষণ অমদা তাকখিবনি।

অফবগা তিন্নবনা (সং–সঙ্গ) কনাগুম্বা অমনা কন্ট্রিগুম্বা সংসারগী থৌ য়াম্না কারিবা ময়াম্বু খঙবনা অমসুং অচুম্বা পরীংদা খন্ন–নৈনদুনা ভগবানগী মায়কৈদা ৱাখল পূনশিনহনবদা মতেং পাঙই। যুগ মরিদা অফবগা তিন্নরুবদগী, লাইরিক তমদনা, প্রায়শ্চিত্ত তৌদনা, ধর্ম্ম–লাইরিক্লা তাবনা থৌ তৌদনা অমসুং কল্লবা রজ–গুণ অমসুং তমগুণ চেনবা মী ময়াম অমা ভগবান ফংবা ঙমখি।

কৃষ্ণনা উদ্ধবতা হায়খি– “গোপীশিংনা অসিগুম্না খঙবা মওং অসিগী খুদমনি অদুগা মসি মুণিশিংনা ফাওবা অকনবা ধ্যানদা লুপ্তুনা অমসুং অচিকপদা লৈদুনসু পাক্লা ফংবদা ৱারিবনি। গোপীশিংনা নুংশিবা অসিগী শাক্ষী অক্রুনা ওইরি। করিগুম্বা পোৎশক অমত্তগী অপাম্বা য়াওদনা গোপীশিংনা ৱাখল অমখক্তা ওইনা কৃষ্ণবু থৌরাংবগী মতৌ অসি উদ্ধবকী পূক্লীংদা পানখি।

গোপীশিংগী অমত্তা ঙায়রবা মগুণদি “কৃষ্ণবু তশেংনা নুংশিবা অদুনি।” ভগবান ফংনবগী চাংয়েংদি “মঙোন্দা পুল্লুপ লুপশিনবনা ওই।” সংসারগী ওইবা নৎত্রগা ধর্ম্মগী ওইবা অতোপ্পা অমা অমুক ফংনবগী মথৌ তাদ্রে। অমত্তা ঙায়রবা মরী লৈনবা থৌ হায়ববু মাগী মখোঙ অদুদা চঙজনবা হোৎনবদুনি।

পুরুরু বাসনা ফত্তবা সঙ্গ তৌবদগী দশা তারুবগী খুদমনি– “মহাক্লা সংসারগী নুংঙাইবদা লম্মুরক্লদুনা উর্বশীবু ফংনবা হোৎনখি।” মদুদগী কায়নরবা মতুংদা মহাক মীৎ পাঙলক্তুনা অশেংবা সংসারগী ওইবা থাদোকপা অমা ওইখি।

অশেংবা লাইনীংবা অমা ওইবগী পান্থেতনা সংসার ঈপাক্তা লুপকদবদগী কঞ্জনবা উপায়নি।

***কর্টেসিঃ ডি হিন্দু ,***

***মণিপুরীদা– ব্রহ্মচারিময়ুম অচৌবা শর্ম্মা***